নম্বোল তুরেল মরিলগী ঈশিং-ঈচাউ থোক্কনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নম্বোল এ সীগী এম এল এ থৌনাওজম বসন্তকুমারনা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা নম্বোল তুরেলগী মপালশিং শেম-শাবা হৌখিবা



চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী কোল্লাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজগী সেন্টরদা তাবা ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংনা এগজাম সেন্টর নুংঙাইতে, ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা তৌবীদে হায়দুনা মহৈরোয়শিংনা ঈহৌ হৌখিবা



৪২শুবা বি জে পিগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটাল থৌবালগী কেম্পসকী অকোয়বা মফমশিং শিৎ শেংখিবগা লোয়ননা পেসেন্টশিংদা চান-থক্নবা য়েন্থোকখিবা




বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট এ শর্দানা লুচিংদুনা মার্চ ৭তগী হৌদুনা চত্থরকখিবা সোসল জষ্টিস কেম্পকী মনুং চন্না নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৪ অমদি কৈনৌ থোংখানচিংবা মফমশিংগী য়ুমথোঙ খূদিং চঙদুনা টৌটি ঈশিং তাবা য়েংশিনখিবা



## এৱ্যেৰ্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): এন আই টি মণিপুর অমসুং তমেংলোং কোলেজগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মাস স্প্রেদিং ওফ নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) ২০২০ অমদি মেদিকেল হেল্থ এৱ্যের্নেস কেম্পকী থৌরম অমা উনট ভারত অভিয়ান স্কিমগী মখাদা তমেংলোংগী দাইলোংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন আই টি মণিপুরগী প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্টকী দিন ডা. পোৎশংবম অলভিনো কুমার অমদি তমেংলোং কোলেজগী পি আই কোওর্দিনেটর এন জি তৌকেলুং অমসুং ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি। পাঙথোকখিবা মেদিকেল এৱ্যের্নেস কেম্প অদু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালগী ডা. জেনি গোনমৈ, ডা. দামবুংলুং পানমৈ অমদি ডা. গাইদুয়নরৈলিয়ু গাংমৈনচিংবা ডোক্তরশিংনা মপুং ওইনা সপোর্ট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মেদিকেল এৱ্যের্নেস কেম্প অদুদা মীওই কয়া লায়েংনখিবগা লোয়ননা তঙাইফদবা হিদাক-লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি। মেদিকেল কেম্প অদুদা চাউরাক্লা মীওই ৭০ রোম শরুক য়াখি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): থাঙ্গ এ সীগী মনুং চনবা মোইরাং খুনৌদা লৈবা শ্যাম সঙ্গীত কলা মন্দিরগী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং ঈশৈগী ওজা ওইনা মতম শাংনা থৌ পুবীরম্বা থাঙ্গ লৱাইদা লৈবা খ্বাইরাকপম য়াইমানা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবগা লোয়ননা মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না শ্যাম সঙ্গীত কলা মন্দিরগী সেক্রেটরি লাইশ্রম রামেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): ট্রেনিং এন্দ কোচিং, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গৱর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী থবক্তগী পোথারবা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরম্বা থোকচোম তোম্বা, জিরি কোলেজদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা ডা. সী ঐচ কমল, জিরিবামগী সোসল ৱার্কর কে খুমন জয় অমদি ঠিএটর দিরেক্টর সরুংবম বিরেন হায়রিবা মতিক চারবা মীওই মরি অসিনা নেতাজি সভাস চন্দ্র বোসকী ১২৫ শুবা বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা এদভাইজর ওইবীনবা হায়জরুবদা হরাও-হরাওনা য়াবীরকপগীদমক থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না কম্মিটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাক্লিবা এপ্রিল ১১দা ওল ইনিদয়া কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভারতি মুখর্জি, অতৈ মেম্বরশিং জিতেন চলিহা অমসুং হিলোল ভট্টচার্য্যশিং ইম্ফালদা থুংলগদৌরি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী লিদরশিংগা পুল্লগা এপ্রিল ১৪দা পাঙথোক্কদবা বাইক রেল্লিগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা পাউগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): সহিদোং কো শট শট নমন কেম্প্যেনগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাক অসিগী গেলেন্ট্রি এৱার্দ ফংখ্রবা এন সী সী জি পি হেদক্বার্টর ইম্ফালগী গ্রুপ কম্মান্দর বৃগেদিয়র সন্দীপ ঝঞ্জানা মথৌনা লৈনা লান্থেংনরম্বা লৈখিদ্রবা মেজর এস কিপগেন, মেজর এল জ্যোতিনগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উন্দুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা এস কিপগেন কুমজা ১৯৬৮দা মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবা অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা সেনা মেদল এৱার্দ ফংখিবনি। লোয়ননা মেজর জ্যোতিনসু অশোক চক্র পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রবনি।

# ‘কন্সত্রক্সনগী মিংদা এনরোল তৌরগা পর্সেন্টেজ চাউনা লৌদুনা লৌ-ইঙ্খোল লৈরিবশিং য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী কুমজা ২০০৮দগী চৎনবা হৌখিবা কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগীদমক পায়খৎপা মচা-মশুশিংগী হীরম কয়াদা কান্নবা পীরিবা স্কিমবু মীওই খুৎপু খরনা শেমজিন-শাজিনবা কন্সত্রক্সনগী মিংদা এনরোল তৌশিল্লগা মদুদগী ফংলকপা শেনফমশিংদগী পর্সেন্টেজ চাউনা চাউনা লৌদুনা লৌ-ইঙ্খোল লৈবা য়াওনরে হায়না ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (আই এন টি য়ু সী) মণিপুর ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এল সুভাস শর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্বা অরানবা থবক থৌরমশিং অসি উনা উনা, খঙনা খঙনা, তানা তানা লৈঙাক্কী মায়োক্তা কুপশেন শেন্নরিবা কাঙবুনা থিগৎপীরক্কদ্রা হায়দুনা লৈরকপনি। মণিপুরদা শু-নোমদুনা হিংলিবা মশাগী হুমাংমলনা ইমুং-মনুং পুদুনা মচা-মশু, নুপী-অঙাং কয়াবু হিংনবা মায়োক্করিবা কয়াগী হুমাংমল শুমদুনা চাবা মীওই কয়া লৈরে। অসিগুম্বশিং অসি মতম লৈরিঙৈদা শিন্মীগী হুমাংমল শুমদুনা চারিবা মীওইশিংনা খোঙফম হন্দোকপীয়ু। নত্তবা, ওইদবা থবক কয়া তৌরগা অশেংবা করিসু খঙজদ্রবা কন্সত্রক্সন ৱার্কর কয়াগী চাকথুং ৱাচৎ-ৱানোম্বা অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসল খরগা মান্নরগা শেংলবা ফজখ্রবা স্কিম অসি মফম অসিদা হায়বদি লমদম অসিদা বেনিফিসরি ওইরিবা মীওই কয়া অসি ৱান বাই ৱান থিগৎপদা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা মাঙহল্লিবা শোয়দনা খঙগনি।

অসিগুম্বা থবকশিং অসি মরী লৈনবা লোয়শঙ অমসুং ষ্টেট ইন্টলিজেন্সনা য়াম্না লায়না খঙলগদবা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা কনা-কনাগুম্বা কন্ট্রেক্টর কয়ানা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক শুহনবা, দোজর, রোলর, জে সী বিগী দ্রাইভর ওইহনবা অমসুং অথাপ্পা চীংনুং-মানুংদা থবক শীজিন্নবা কয়াবু খুৎশুমল হেক হেক মৎপগী পাউসু থোক্তবা নত্তে। মসি পুম্নমক অসি মখা তানা থোক্তনবা শিনবু অমসুং শিন্মী অনীগী অফবা মরী থমদুনা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নসি। পুম্নমক্কী অরোইবা নোংমগী শু-নোম্লগা শেল তাল্লিবা শিন্মী কয়াসু এসোসিএসন অমদি য়ুনিয়ন শেমজিনবীদুনা মীয়ামগা শিন্মীগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনমিন্নসি। মদুনা ষ্ট্রিম লাইন ওইদুনা মতুং তাবা থবক কয়াসু মখা তানা শুনবা হোৎনসি। নত্তদুনা নালা মচা অমা কোৎপদা, পোৎ অমা থাংবদা চান্নদবা খুৎশুমল পীবসু য়ারোই অদুগা হেন্না লৌবসু য়ারোই। মসিনা নাকল অনীগী মরক্তা শাউনবা, খৎন-চৈনবা কয়া থোক্তবসু য়াওদবা নত্তে।

লমদম অসিগী লৈহাওদগী চাউরকপা ইচিল-ইনাও, নোংমগী শু-নোম্লগা হিংলিবা কয়াবু হেঞ্জিন্না লৌনিংবা, থবক তোক্তনবা অদুগা কনাগুম্বা মহাজন্না পীনিংদবসু তৌদনবা পুন্না ৱাখল তামিন্নবগী শরুক অমা ওইনা শিন্মী ঐখোয় পুনশিন্দুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎলগা হেন্না চাউখৎপা নুংঙাইবা পুন্সি অমা ওইমিন্নসি হায়না ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চনা শিন্মী পুম্নমক্না ঈহৌবু মশক খঙবা, ইথৌগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংমিন্নদুনা চাউখৎপা ষ্টেট অমগী মঙলান পুম্নমক্তা থমজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# সেদ্যুল লেংগ্বেজদা চল্লবা লোলশিং চাউখৎনবা থবক পায়খৎলকপা লৈত্রি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা লমশিংগী লোলশিং চাউখৎহন্নবগী মীৎয়েং মখাদা সেদ্যুল লেংগ্বেজ ওইনা লোল ২২ শক খঙই। অদুগা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ ওইনা লোল ৬পুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাউথোক্লে। অসিগুম্বা থৌশিল অসি চুম্নগী মপান্থোংগী ওইবা থৌশিলতমক ওইরি। সেদ্যুল লেংগ্বেজদা চল্লবা লোলশিং অসিবু চাউখৎনবা অমদি য়োকখৎনবগী থোইদোকপা থৌরাং থৌশিলদি পায়খৎপা লৈত্রি হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (এফ ঈ এস ও কে) কী জোইন্ট সেক্রেটরি কাহুজম অমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সেদ্যুল লেংগ্বেজগী মনুং চল্লবা লোলশিং অসিবু চাউখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা ওন্ন-তৈননা হিন্দী লোল খক্তবু মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌই। ইন্দিয়াগী নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০না মমালোলনা ক্লাস ফাইব ফাওবা মহৈ তম্নবগী থৌশিল লাউথোক্লবসু মমালোলদা লাইরিক তমহনবগী খোঙথাং অমদি থৌশিল ঙসিসু লৈত্রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না চীংমী ফুরুপ ২০গী মমালোলনা লাইরিক তমজবগী অয়াবা পীগনি হায়রবসু চপ চাবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপগী মমি তাদ্রি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈমিন্নরিবা ষ্টেট ৮ মক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংনসু অমত্তা ওইনা পুন্না লেপমিন্নদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা লৈবীয়ু।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লোলগী ইস্যু অসি য়াম্না লায়না লৌবীগনু। কুমজা ১৯৫২দা বাংলাদেশনা পাকিষ্টানগী শরুক অমা ওইনা লৈরিঙৈদা বঙ্গালিশিংনা বঙ্গালি লোল কন্নবগীদমক চঙশিনখিবা ঈহৌ অমদি মখা তারকপদা পাকিষ্টানদগী কুমজা ১৯৭১দা বাংলাদেশ কৌবা লৈবাক অমা শেম্লকখিবগী হিষ্ট্রি ওইরবা ৱারীশিং অদু ঐখোয় পুম্নমক্না নীংশিংফম থোকই। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অমদি লোলগীদমক্তা থৌশাদ্রিবশিং অসি য়াম্না মুন্না খন্থরগা মরী লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্না পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু হায়নসু এফ ঈ এস ও কেনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পার্লিয়ামেন্টকী বডজেট সেসন ঙনখৎনা লোইশিনখিবা ওপোজিসন পার্টিশিং কিবদগীনি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জন্যুৱারী ৩০দগী হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী বডজেট সেসন অসি এপ্রিল ৮দা লোইশিন্নবা লেপ্পখ্রগা এপ্রিল ৭তা নোংমা ঙনখৎনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্কী সেসন লোইশিনখিবদু ওপোজিসন পার্টিশিং কিবদগীনি। থৌওং অদুবু ওল মণিপুর নুপী মরুপনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মার্চ ২২দগী পেত্রোল, দিজল অমসুং এল পি জি (কুকিং গ্যাস) গী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবদগী মীচম মীয়াম, লৌমী-শিন্মী অমসুং মিদল ক্লাসতা লৈরিবশিংনা মায়োক্করিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীদা ওপোজিসন লো মেকরশিংনা অকনবা খোল্লাও কয়া লেপ্তুনা পুখৎনরকপদগী বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী অয়াবা পীরবফাওবা লোক সভাগী স্পিকর অমসুং রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন অনীনা থাউ মমল হেনগৎলকপগী খন্ন-নৈনবদা ওপোজিসন লো মেকরশিংদা খুদোংচাবা পীখিদবদু লৈবাক অসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন শীংনবনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা লৌই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পেত্রোল, দিজল অমসুং কুকিং গ্যাসকী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবদগী চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবসি ইমুং-মনুংগী মকুপ-মতা পুরিবী লৈবাক অসিগী নুপী খুন্নাইনি হায়বদু নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা খঙশিন্নদ্রিবসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিনা পেত্রোল, দিজল অমসুং অতৈ পোৎলম কয়াগী মমল হেনগৎলকপগী ৱাফম খন্ননবা অয়াবা পীখ্রগা হীরম অসিগা মরী লৈননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীদা খন্ন-নৈনবা তৌদনা বডজেট সেসন নোংমা ঙনখৎনা লোইশিনখিবদু ওপোজিসন লো মেকরশিং কিবদগীনি হায়না লৌফম থোকই। থৌওং অসি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন শীংনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কোর্পোরেট মপু খরখক্কী য়াইফনবা খনবদগী লৈবাক অসিগী মশীং য়াল্লবা মীচম মীয়াম লাক্লবা হেল্লক্লিবসি মখা তাহন্দনবা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ডা. অম্বেদকরগী ১৩১শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মপুং ওইবা থৌদাং মায়পুনখিবা ডা. বি আর অম্বেদকরগী চহী ১৩১শুবা মপোক কুমওন থৌরম মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই)না শীন্দুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৪দা পাঙথোক্লগনি।

এম এস সী, সী পি আইগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফুরুপ মশীং য়াম্বগী মথক্তা লোল, লাইনিং-লাইশোল অমসুং ফিজেৎ-চাকচা মশীং য়াল্লবা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা পুখৎনবা অশানবা মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৱাহৌদোক্তা সোভরেন, সোসলিষ্ট, সেক্যুলর দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া হায়বা অতেনবা ৱাহৈ পরেং অমা হাপ্লমখিবনি। তুং কোয়না কাঙলুপ মশেল পুম্বা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবনি। ডা. অম্বেদকর মশামক মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক থেংনখিবা মাঙজিল থাবা দলিট লুচিংবা অমনি।

মহাক্না মতু শোন্না তোন্না হিংলিবশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরমখি। মহাক পোলিটিকেল ইকনমিদা থোইদোক হেন্দোকপা লৌশিং লৈবতা নত্তনা ৱার্কিং ক্লাস মুভমেন্টকী মরমদা মচা খায়না খঙলবা স্কোলার অমনি। আর এস এস অমসুং বি জে পি অনীগী খুৎপু মখাদা লৈবাক অসি হিন্দু রাস্ত্র ওন্থোক্লবা কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসি খোঙ্গাওনবা অনৌবা থৌশিল কয়া হৌদোরক্লিবসিগী মায়োক্তা কন্সটিট্যুসন, দেমোক্রেসি অমসুং সেক্যুলরিজম কনবা পান্থশিং খুৎশম্নদুনা পুন্না থেংনমিন্নদুনা হোৎনহৌদ্রবদি লৈবাক অসি অরুবা ফীভম অমদা মায়োক্লহল্লগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এস দব্লিয়ু সী খাঙবোক্কী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): সোসল ৱেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) খাঙবোক্কী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং হৌখিবা মার্চ ৩০দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখিবা অদুদা মখোয়-মখোয়না পায়গদবা ফমশিংসু জেনরেল বোদিগী মীফম অদুনা অয়েৎপা য়াওদনা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে হায়না সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এন দিপকনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোক্কী খনখ্রবা নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা মোইরাংথেম ভ্যাস, ভাইস প্রসিদেন্টতা এলাংবম সুরজিৎ অমদি নিংথৌজম অমরজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি নিংথৌজম দিপক, জোইন্ট সেক্রেটরিদা খুন্দ্রাকপম মিলন অমদি খুন্দ্রাকপম রোমিও, গেমস এন্দ স্পোর্টসতা এলাংবম তোম্বা, সোসল এন্দ কলচরদা এলাংবম ভাবন, লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসনদা লাইশ্রম ইঙোবা অমদি ট্রেজররদা নিংথৌজম প্রেমজিৎনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ক্লব অসিগী জেনরেল বোদি মীফম অদুনা থৌ পুগদবশিং অমদি মখোয় মখোয়না পায়গদবা ফমশিং খনখিবদা য়ানখিবগা লোয়ননা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোক্কী ওইনা ক্লব অসিগী হান্নগী লৈজরম্বা লেট্রর হেদ, সিল অমদি রিসিপ্ট অমত্তা মখা তানা চৎনররোই। অনৌবা লেট্রর হেদ, সিল অমদি রিসিপ্ট সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোক্কী ওইনা চৎনরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর লোয়ননা খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংনা লুচিংদুনা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা ৪২শুবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটাল থৌবাল খাঙবোক্কী কেম্পসতা লম-তূ শেংবগা লোয়ননা অনা-লায়েংলিবশিংদা অচা-অথক য়েনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সী ঐচ মেমচা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এল দেবেন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী সেক্রেটরি অমদি ইন-চার্জ কে ইনাওচা, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট দমেন্তি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি এন প্রিয়োকুমার, খাঙবোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন রমানন্দ অমদি বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মেঞ্জোর মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অশোন-অনাশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা বি জে পিগী ৪২শুবা থৌরমগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিদা লাক্তুনা পেসেন্টশিংগা ৱারী শানবগা লোয়ননা অচা-অথকশিংসু য়েন্থোকখিবনি হায়খি।

## ‘ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নসি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): এম এস এফনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং য়ু অমদি দ্রগ চাদ্রিবশিংবু চারক্তনবা হোৎনবা অদুগা চারিবশিংবু চাদনবা হোৎনরকপগী চঙশিল্লক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিংদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নসি। এম এস এফনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং অমা ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা ওপন এসে কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী দ্রগস এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মহৈরোয় (নহা) অমদি অহল কয়াশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ু অমদি দ্রগশিংনা খুন্নাই অসিগী মীয়ামদা পীজরিবা অসি চারক্তনবা অমসুং পীজদনবা হোৎনবা অমা ওইনা মহৈরোয় খূদিংমক্কী ওইবা ওপন এসে কম্পিটিসন ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ব ফাওবগী ওইনা পাঙথোক্কনি। কম্পিটিসন অসিদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং পাক্তক্লনা হেনগৎলক্লি। মরুওইনা তুংগী খুন্নাই অসিগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয় (নহা) কয়াশিং অসিনা য়ু অমদি দ্রগতা লাইচুহন্দুনা খুন্নাই অসিবু মুখৎখিনবগী হোৎনরক্লিবা অসিদা এম এস এফনা হৌখিবা চহী খরদগী লেপ্পা লৈতনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাদ্রিবা মপুং ওইনা মহৈরোয়, ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরবা অহল্লোনশিং অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদ্রিবা মীওইশিংনা শীজিন্নরক্তনবা হোৎনদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খন্ন-নৈনবা, মীফম অমদি এসে কম্পিটিসন, এন্টি দ্রগস, ৱাল পোষ্টর কয়াদা এৱ্যের্নেস পীনবগী খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। ময়াই কাবা দ্রগ পীজবগী লাল্লোং এম এস এফনা কুপ্না য়েংশিল্লি। মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়রি।

## নম্বোল তুরেল মরিল শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী কুমগী নোং হেক চুবগা নম্বোল এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা ঈচাউ থোক্তুনা য়ুম-ইঙ্খোল য়াওনা ঙাগী ফার্ম অমদি লৌবুক কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবা পুম্নমক অদু কোক্লনবগী পান্দমদা হন্দক চহীগী কুমগী নোং লাক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা মখা তানা ঈশিং-ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লদনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা নম্বোল এ সীগী এম এল এ রিটায়র্দ আই পি এস থৌনাওজম বসন্তকুমারনা এ সী অসিদা ঈশিং-ঈচাউ থোক্কনবা মফমশিং য়াওনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা নম্বোল তুরেল মরিলগী মপালশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রশিংগা লোয়ননা নম্বোল তুরেল অমদি কন্না খোং মরিল নাওরেমগী মফমশিংদা হকথেংননা চৎতুনা লাক্কদৌরিবা কুমগী নোং অসিদা এ সী অসিগী মীয়াম্না অৱাবা অমদি ঈশিং-ঈচাউগী খুদোংথিবা থোক্তনবা হায়দুনা মেছিন কয়া শীজিন্নদুনা নম্বোল তুরেল মরিলগী ঈশিং-ঈচাউ থোক্কনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেমজিন শাজিনবগী থবক অদু পায়খৎখিবনি। নম্বোল তুরেল মরিল শেমজিন শাজিনবগী থবক অসি মীয়ামগা তান্নরগা মখা তানসু পায়খৎখিগনি হায়রি।

## মমা লৈবাক নুংশিবা উৎপা মখলগী লাইরিকশিং লাইব্রেরীদা মরাং কায়না ফংহনবা মথৌ তাই : আর কে সনায়াইমা

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): মমা লৈবাক নুংশিবা উৎপা মখলগী লাইরিকশিং লাইব্রেরীদা মরাং কায়না থমদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা পাহনবা মথৌ তাই হায়না য়ু এন এল এফকী হান্নগী চ্যেরমেন আর কে সনায়াইমা (মেঘেন)না ফোঙদোকখ্রে।




থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ৱাংজিং হোদাম্বা ময়াই লৈকায়দা ‘লোয়ালম পব্লিক লাইব্রেরী’ হায়না মিংথোনবা লাইব্রেরী অমা শক্লাইরবা অইবা শরত সলামগী য়ুমদা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা আর কে মেঘেননা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী খুন্নাইদা মরুওইনা লোয়ালমদা লাইব্রেরীগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু অচুম্বা ৱাখল মীৎয়েং তাকপী-তম্বীনবা, তুংগী অচঙবা য়ুম্বীরেল ওইরক্লবগী ৱাখল লৌশিং ফংফম মফম অমা লাইব্রেরীদা ওইগদবনি। লাইব্রেরীদা মখল মখা কয়াগী লাইরিক ফংলি। অদুবু স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী সেলেবসতা য়াওদবা, মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং মরাং কায়না লাইব্রেরীদা ফংহনবদা লাইব্রেরীগী মরুওইবা থৌদাং লৈ হায়খি।

ঐখোয়গী লমদম অসিগী পুৱারী য়াম্না ময়েক শেংনা লৈজে। ঐখোয়গী পুৱারীদা চহী ৭ খুন্তাকপগী থৌদোক লৈখি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী মৈতৈ ইপা-ইপুশিং য়ুন্নোন্নবা অসাম য়াওনা ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশতা চোইজাইননা খুন্দারি। অৱাশিংনা লানফা ওইনা পুখিবা মৈতৈ ইপা-ইপু কয়া অমসু ম্যান্মারদা খুন্দাদুনা লৈরি। ইপা-ইপুশিং, ঐখোয়গী ঈগী মরীশিং অদু লমদম অসিগী মৈতৈশিংনা মতম পুম্বদা নীংশিংগদবনি। অদুগুম্বা ইপা-ইপুশিং নীংশিংবগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং অদু ঐখোয়গী স্কুল, কোলেজগী পুৱারীগী লাইরিকশিংদা য়াওবা থেংনদে। অদুগুম্বা মখলগী ইমা লৈবাকপু নুংশিবা উৎপা, ইপা-ইপুগী থৌনা লিংজেলতনা নীংতম্বা কল্লকখিবগী ৱারী লীবা লাইরিকশিং মরাং কায়না লাইব্রেরীদা থমসি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা পাহন্নিংবগী অপাম্বা ফাওহনসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কলচরগী লাইব্রেরিয়ন থৌনাওজম খোমদোন, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা গী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়েংখোম ইন্দিরা, সাহিত্য সেবা সমিটি ককচিংগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি বিরা, কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপকী প্রসিদেন্ট থিয়াম ওংবী সিলৈমা লৈমা অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেকিনা অথোইবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তুংদা খোরিরোল শন্দোকলূপ ৱাংজিংগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম বাবুলালনা শৈদিন মপু ওইরগা অইবা-অইবী ৩০ হেনবনা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি।

## সোরাগী য়াইথিবী লৌকোল লৌশিনবগী থৌদোক্তা গভর্ণমেন্টকী এক্সন কন্দেম তৌই : পি এফ আই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): সোরাগী য়াইথিবী লৌকোল লৌশিনবগী থৌদোক্তা গভর্ণমেন্টকী এক্সন কন্দেম তৌই হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) মণিপুর ষ্টেটকী এম এন্দ পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সোরাগী য়াইথিবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাররোই হায়দুনা কয়ারক ফম্মিন্নদুনা য়ানখ্রবা মতুংদা চহী খরা লৈরগা খঙহৌদনা নোটিশ অমত্তা থোক্তনা নম্ফুদা মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থাগী য়াম্না ৱারবা মতমদা অতম্নবা তৌগে য়াওনা তৌবা গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা পেদ্দি লেন্দ মাঙই হায়না য়ানখ্রগা হৌজিক্লা ফুদ প্রোসেসিং সেন্টর শাবদদি পেদ্দি লেন্দ মাঙলোইদ্রা? তশেংনা মমাঙগী চাকহেন থাদসু অসিগুম্বা থৌদোক্তা সোরাদা মীওই অমসু য়াম্না শাথিনা শোকহনবা লৈখ্রবনি।

হন্দকসু চাকহেন থা মনুংদা গভর্ণমেন্টকী পুলিসশিংগী কা হেনবা থৌওংনা মীওই কয়ামরুম অৱা-চৈথেং পীদুনা অশোক-অপন নংহনখিবা অমদি মোংফম মৈ থাবগী থৌদোক লাইবক থীবনি। চাকহেন থা হায়বসি ঈংনা চিক্লা মপুবু নীংজদুনা লৈগদবা য়াম্না মতিক মগুন লৈবা থানি। গভর্ণমেন্টকী থৌওং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অমদি দেমোক্রেসিনা পীবা লাইনিং-লাইশোল খূদিংমকপু চপ মান্ননা য়েংগদবনি হায়বা অদুগী মায়োক্তনি হায়দবা ঙম্লোই।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী দিভেলপমেন্ট তৌরকপা খূদিংমক মীচম মীয়াম্না তরাম্না ওকই। অদুবু মফম অদুগী থবক অমা তৌগে হায়বা তারবদি লমদম অদুগী মীহুৎশিং, লোকেল লিদরশিং, সী এস ও অমদি ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্নমিন্নরগা মদুগী অমাঙ-অতোং নৈনবীরল্লবদি হেন্না ফরমগদবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী পুলিসশিং শীজিন্নদুনা নম্ফু-হাফু তৌদবা য়াদে খন্দুনা দিভেলপমেন্টকী মিংদা মসজিদ অমদি য়ুম-কৈ কয়া শাদুনা খুন্দা লৈতাদুনা মীয়ামগী চাননবা ফৌথোক-চাথোক পুথোক্লিবা মফম অমবু গভর্ণমেন্ট অমনি হায়দুনা লম লৌশিনগনি অমদি লম খোপচিনবগী থবক তৌবা অসিমক্তি কন্দেম তৌই। মসিগী থৌদোক্তা মরাল লৈতবা চমজরবা মীয়ামদা নোংমৈ, রবর বুলেট, টিয়ার গ্যাস কাপশিন্দুনা এট্টেক তৌবা য়ানিংদে। থৌদোক অসিদা শোক্লবশিংগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী খোঙফম হন্দোক্কদবনি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। করিগুম্বা মখা তানা ৱারোইশিন পুরক্তবদি মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ও, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি য়াইথিবী লৌকোল কন্ননবা খোঙজং চঙশিল্লিবা কম্মিটিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানসু সপোর্ট তৌগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।